**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-04-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- বঙ্গলাদেসকী মহামদ য়ুনুস অমসুং মহাক্কী মরক্কী সরকারনা মখোয়গী জিও-পোলিটিকেলগী অপাম্বা থুংনবগীদমক অৱাং নোংপোক লমদমবু মখোয়গী লল্লোংগী খোংমী ওইনা শিজিন্ননবা হোৎনরি।

বঙ্গলাদেসকী লুচিংবা অসিনা হন্দক ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসিগুম্বা মীঙোন দা কায়হৌবা অমসুং দায়ত্ব খঙদবা ৱারোলশিং অসি লুচিংবা অমা ওইবগী থৌওং নত্তে। মহাক্কী ৱারোল অসিবু খ্বাইদগী কনবা মওংদা নিন্দা তৌরি হায়নসু শ্রী বিরেননা হায়রি।

অমরোমদা, বঙ্গলাদেসকী ৱাফম অদুবু অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্বাস শর্ম্মনসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-ভারতকী অতৈ রাজ্যশিংগা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মরক্তা হেন্না মরী ফগৎহন্নবা রেল লম্বী অমসুং লম্বী থোং নীংথিনা শেমগৎপা তঙাইফদে। মসিগী মথক্তা **চিককন নেগ** ফাওদুনা অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা ফাওননবা অতোপ্পা লম্বী শেমগৎপা তঙাইফদে।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ইং ২০২২ দগী ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লামৈ চাকপা অসি তমেংলোংনা খ্বাইদগী হেন্না চাং ৱাংনা লৈরি হায়না রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-আর.কে. অমরজিৎনা হায়রি।

মহাকা মখা তানা হায়-চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলানা লামৈ

চাকপদা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা জিলাশিং ওইরি। মসি ধেরাদুনদা লৈবা ফোরেষ্ট সর্ভে ওফ ইন্দিয়া অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগ অনিনা পুল্লবা মতুং সেটিলাইটনা লৌবা দাটাগী মতুং ইন্ননি।

শ্রী অমরজিৎনা হায়-রাজ্য অসিদা নোংজগী চাং চপ চানা ফংলবসু অকক বা মতম খরা খক্তদা কা হেন্না নোং চুবদগী উমং ৱামংশিং কংদুনা লৈবগী চাং অসি মতম শাংনা লৈবা থেংনরি। মসিনা লামৈ চাকপগী চাং হেনগৎলকবগী মরম ওইহল্লি। রাজ্য অসিদা লামৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোক্তনবা ফোরেষ্ট বিভাগকী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

**ডে (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা বিহার, রাজস্থান অমসুং উরিষ্যাশেমখিবা নুমিৎ নীংশিং থৌরমদা শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী এক ভারত শ্রেস্তা ভারত প্রোগ্রামগী মখাদা শিনবনি। মসিনা বিহার, রাজস্থান অমসুং উরিষ্যাগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃত্তিগী মচাকশিং নীংথিনা উৎলি। থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি মনিপুর অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মনিপুরগী মহৈরোইশিংনা রাজ্য অহুম অসিগী নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা সেন্ত্রেল য়ুনিভরসিতিশিং অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী মহৈরোই কয়া লাইরিক তম্লিবা অসি য়েংলগা য়ুনিভরসিতিশিং অসিনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়-অতোপ্পা রাজ্যশিংগী মহৈরোইশিংনা থৌরম অসিগী খুত্থাংদা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃত্তি উবা ফংলগনি। রাজ্যপালনা মহৈরোইশিংদা মনিপুরগী ৱাংমদা চৎপা মতমদা রাজ্য অসিগা ফজরবা কলা সংস্কৃত্তিগী মচাকশিং মীয়ামদা খঙহনবদা অচৌবা

থৌদাং লৌনবসু ফোংদোকখি।

**রিমস (এল)ঃ** লুবা নানবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি হায়বা হীরমদা স্বাচতা পখৱারা ২০২৫ ঙসিদগী ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স রিমসতা হৌখ্রে।

থৌরম অসি মীপুম খুদিংমকা লুবা-নানবা, হকচাং ফবা অমসুং অকোইবগী ফিভম কায়হন্দনা থমবা কেন্দ্রগী সরকারগী থৌরাং অদুবু অমুক হন্না নীংশিংদুনা লম অসিদা অমত্তা থৌদাং লৌমীন্নবা পাঙথোকপনি। মসি, ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথগনি। রিমসকী সুসরুতা হোলদা পাঙথোকখিবা স্বাচতা পখৱারা ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মা, ডাক্তর অমদি অতৈ ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

**দুরদসন (এল)ঃ** দুরর্দসন কেন্দ্র ইম্ফালগী ওইনা মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোইগী বি-গ্রেদ আর্টিষ্টকী ওদিসন পাঙথোক্কদৌরি। মসিগীদমক ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১০ ফাওবদা দরখাষ্ট ফোর্ম লৌবা য়াগনি। দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ১৫ দনি। দরখাষ্ট ফোর্ম অসি প্রসার ভারতিগী ৱেবসাইটতগীসু ফংগনি।

**প্লাষ্টিক (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফমশিংদা থা অসিগী ১৫ দগী অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবা থিংনবা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি।

মনিপুর পোলুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী চেরোল অমনা হায়-দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, অবার্ন লোকেল বোদি, দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট, গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং মনিপুর পোলুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী ষ্টাফশিংনা পুন্না থৌরাং অসিগীদমক থবক পায়খৎমীন্নগনি। প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস

২০১৬ কী চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়বা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

**মৈ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেকী মীওইশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ১৭ ফাগৎলে। লোয়ননা কঞ্জুমর ১১ গী মৈ ককথৎখ্রে।

**পেন্সনঃ** কেন্দ্র সরকারগী কর্মচারিশিংগী য়ুনিফাইট পেন্সন স্কিম ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। কেন্দ্র সরকারনা য়ু.পি.এস স্কিম অসি নেসনেল পেন্সন সিস্তেমগী থৌরাং মখাদা অপান্বা খনবা য়ানবা থৌরাং ঙসি হৌদোকখিবনি।

হন্দক্তা পেন্সন ফন্দ রিগ্যুলেতরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিতিনা য়ু.পি.এস অসি চৎনহন্নবগী চৎন-কাংলোনশিং নোটিফাই তৌখ্রে। চৎন-কাংলোন অসি কেন্দ্র সরকারগী কর্মচারি কাংলুপ অহুমদা চৎনগনি। অহানবা কাংলুপ্তা চৎলিবা চহী ২০২৫ অসিগী এপ্রিল ১ ফাওবদা থবক তৌরিবা এন.পি.এসনা কোভর তৌবা হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবা কেন্দ্র সরকারগী কর্মচারিশিংনি। অনিশুবা কাংলুপ্তুনা কেন্দ্র সরকারগী থবক্তা নৌনা চংলকপা ২০২৫গী এপ্রিল ১ দা নত্রগা মদুগী মতুংদা থবক্তা জোইন্ট তৌবা কর্মচারিশিং য়াওরি। অহুমশুবা কাংলুপ্তুনা এন.পি.এসকী শরুক অমা ওইরম্বা চহী অসিগী মার্চ ৩১ দা নত্রগা মদুগী মমাঙদা থবক্তগী পোত্থারবা কেন্দ্র সরকারগী কর্মচারিশিং য়াওরি। মখোয় অদু, মতম লোইদুনা পোত্থাখিবা নত্রগা ভলন্তরি ওইনা থবক্তগী পোত্থাখিবা ওইরসু য়ু.পি.এসতা য়াওবা য়াই। থৌরাং অসিনা কেন্দ্র সরকারগী কর্মচারি লাখ ২৩ রোমদা কান্নবা পীগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি চিল্লিগী রাস্ত্রপতি-গেব্রিয়েল বোরিক ফোন্টকা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ভারত-চিল্লিগী মরক্তা দিজাস্তর

মেনেজমেন্ট অমসুং কলা সংস্কৃত্তিগী লমদা তেংবাং পীননবা য়ান্ন-চে সহি তৌনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি লুচিংবা অনিনা উন্নখিবা অদুদা লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। তুংদা, শ্রী মোদিনা শ্রী ফোন্টপু ইকায় খুমবা উৎতুনা চাকলেন অমা শিনখি।

চেরোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-চিল্লি অসি ভারতকী মরুওইবা লৈবাক অমনি। ভারতনা লৈবাক অসিব্ এন্তার্তিকাদা চৎনবা মরুওইবা লৈবাক অমা ওইনা লৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা কমপ্রেহনসিপ ইকোনোমিক পার্টনরসিপ এগ্রীমেন্ট সহি তৌননবা থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা চিল্লিগী রাস্ত্রপতিগা লোয়ননা মন্ত্রিশিং, সংসদকী সদস্যা, লল্লোন ইতিক্কী এসোসিয়েসন য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা লোয়নরক্লি। শ্রী বোরিকনা থা অসিগী মঙাদা আগ্রা, মুম্বাই অমসুং বেঙ্গলুরুদা চৎকনি।

**মৈঃ** গুজরাটকী বনসকন্থা জিলাদা লৈবা বোম্বুলা শাফম ফেক্তরি অমা মৈ চাক্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিরে। অহানবগী ওইনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ফেক্তরি অদুদা মৈ চাক্লকপদগী বিল্ডিং অদু নিংখায়রকপদা মফম অদুদা থবক শুবা শিন্মী কয়া থোকপা য়াদনা লৈখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদা ফয়ার ফাইটরশিং চংশিন্দুনা মৈ অদু মুথৎলে। অদুমওইনমক, মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক মখা চথুরি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা রাজ্যগী ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-বলৱান সিংহ রাজপুত মফম অদুদা চংশিনখ্রে। মহাকা হায়-থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সাউথ টোইন্তি ফোর প্রগনাজ জিলাদা

লৈবা য়ুম অমদা গ্যাস সিলিন্দর অমসুং পৈশিনদুনা থন্বা বোম্বুলা পোকখায়বদা মীওই ৮ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই পুমমক ইমুং অমগীনি হায়রি। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিস্তার তৌখ্রে। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা অঙাং মরি য়াওনা পুন্না মীওই তরেৎ মফম অদুদা লৈখিদবনি। তুংদা, কোলকাতাগী এস.এস.এ.এন. হোস্পিতালদা লায়কন্নখিবা মীওই অমা শিখিবনি।

**পিএমঃ** ৬ শুবা বিমষ্টেক মীফম য়াওরুনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা থা অসিগী ৩ দগী থাইলেন্দ চৎকদৌরি । মীফম অসি থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা এপ্রিল ৪ দগী হৌগনি। কুমসি চহীগী বিমষ্টেক মীফমগী হীরমনা প্রোস্পেরস, রিজিলিয়ন্ট অমসুং ওপন বিমষ্টেক হায়বসিনি। মীফম অসিনা বিমষ্টেক লৈবাকশিংগী মরক্তা ঙাকশেল অমদি চাউখৎ থৌরাংগী লমদা শিংনরক্লিবশিং মতেং পাংননবা ৱাফম কয়া মরুম খন্নরবা য়াই। বিমষ্টেকতা য়াওরিবা লৈবাকশিংদি-বঙ্গলাদেশ, ভুটান, ভারত, নেপাল, শ্রীলঙ্কা অমসুং থাইলেন্দনি।

বিমষ্টেক মীফমগী মাংওইননা অহুম শুবা বিমষ্টেক দাইলোগ ২০২৫ হয়েং বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কনি। দাইলোগ অসিগী থিমনা ‘দি ইম্পরেতিভস এন্দ ইম্পেদিমেন্টস ওফ বিমষ্টেক’ হায়বসিনি। মীফম অসি হৌদোকপদা ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা.রাম মাধপ ৱা ঙাংগনি। মীফম অসিগী অহানবা সেসনদা ‘ইম্পেরেতিভস ফোর বিমষ্টেক-কি দ্রাইভর্স ওফ রিজনেল কোরপোরেসন’ হায়বা হীরমদা খন্নগনি। সেসন অদুদা, ভারতকী হান্নগী মপাল থৌরম মন্ত্রি এম.জে.অকবরনা সভাপতি ওইগনি। মদুদা ৱা ঙাংগদবশিংগী মনুংদা ভারতকী হান্নগী মপাল থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডা.আর.কে রঞ্জন সিংহ য়াওরি।

**বৈসনোঃ** অনৌবা মতম অসিদা আইন খক্তনা ক্রাইম থিংননবা হোৎনবদা মপুং ফারোইদবনা ক্রাইম থেংননবা টেকো লিগেল এপ্রোস অমা তঙাইফদে হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা সি.বি.আই. লিংখৎখিবগী ৬২ শুবা কুমওন থৌরমদা ২১ শুবা দি.পি. কোহালি লেকচর পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়-টেকোলোজি, ইকোনোমিক অমসুং সোসিএল গ্রোথ য়ামা খোঙজেল য়াংলকপনা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা অসি মহৌশাগী মওংদগী হোংলে।

**আর্মিঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা আর্মি কম্মান্দরসশিংগী মীফম অমা ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে। থা অসিগী মরি ফাওবা চথুগদবা মীফম অসিদা ভারত লান্মীগী ওফিসারশিংগী সেনিয়ার লিদরসিপকী প্লেটফোর্ম অমা পীনবা অমদি সেক্যুরিতিগী লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক্কী ফিভম য়েংশিন্নবা হোৎনরি।

**ওকপা (এল)ঃ** ছাতিসগরগী বিলাসপুরদা মমাং থাগী ২৯ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা মেন্স জনিয়ার মাস্তর দিভিয়াং বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী শাফবশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (অম্বা) না শিনদুনা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী শান্নরোইশিংবু পুকিং থৌগৎতুনা খুদোলপোৎ পীদুনা তরামা ওকখি। পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখি।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-

য়াইস্কুল কাংখুৎনা পুথিবা কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫-১২ দা থোইখি। হয়েং এস.এস.য়ু কাংখুৎকা অমসুং নম্বোল কাংখুৎকা লম্বা থেংনগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইটেদ ব্রদরস এফ.সিনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবনা ফুটবোল ক্লব লমজাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নপসা খা ইম্ফালনা বি.কে.সি.সি. বামোন কম্পুবু রন-৬১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.সি.সি.সি. লিলোং চজিংনা পি.এস.সি. ব্রহ্মপুর সঙাই চুথেকপু রন-৪৫ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ২৩ মখাগী নুপীগী অহানবা এম.এন.সি.এ- ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু রন-৮২ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ২৩ মখাগী নুপাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. হাওম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা - পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৮ দা, পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাংবুং মখোঙবু ৱিকেট ৫ দা, এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা ব্লু হোর্গ খুরাইবু রন-১৮০ দা, কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন-২৬ থোইখি।